

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*আই পি এলদা দিল্লী দিয়ার দেবিলগী শান্নরোই অমা ওইখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী খৃষ্টনা হন্দকসু য়াওগদৌরি*

*মেটচ লোইগদবা মিনিট ৮ দা গোল চনখিবা মেদ্রিদকি ষ্ট্রাইকর রোদ্রিগুইজ*

## আই সি সিগী রেঙ্কিংদা ইন্দিয়ানা অনীশুবা লৈরি



*দুবাই, জনুৱারি ২৯ঃ*

ইন্টর্নেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলনা নৌনা পীবা রেঙ্কিংদা ইন্দিয়া ব্রান দে ইন্টর্নেসনেলদা অনীশুবা রেঙ্কিংদা লৈরি। হন্দক্তা ন্যুজিলেণ্ড টুরদা ইন্দিয়া অমদি ন্যুজিলেণ্ডগী মেটচ মরি শান্নবা লোইখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়ানা রেঙ্কিং অসিদা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি।

নীংশিংবা য়াই ইন্দিয়া ও দি আই সেরিজ অসিগী মমাঙদা অহানবা স্পোটতা লৈরম্বনি। নৌনা পীরক্লিবা রেঙ্কিং অসিদা ইন্দিয়ানা ব্রান দে ইন্টর্নেসনেল মেটচ ৬২ শান্নবদা পোইন্ট ৭১৭২ অমদি রেটিং পোটইন্টনা ১১৬ ফংলি। টোপ ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ানা মেটচ ৪৭ শান্নবদা পোইন্ট ৫৫০৫ রেটিং পোইন্টনা ইন্দিয়াদগী অমা খক হেল্লগা ১১৭ লৌদুনা টোপ ওইখ্রে।

অহুমশুবা সাউথ আফ্রিকানা মেটচ ৪৪ শান্নবদা পোইন্ট ৪৮২৫ অমদি রেটিং পোইন্ট ১১০ লৌদুনা মরিশুবদা ইংলেণ্ডনা মেটচ ৪৭ শান্নবদা পোইন্ট ৫১০২ রেটিং পোইন্ট ১০৯ লৌদুনা লৈরি। মঙাশুবা অসিনা শ্রীলঙ্কানা মেটচ ৫৬ শান্নবদা পোইন্ট ৬০৫৯ রেটিং পোইন্ট ১০৮ খক ফংলি।

পকিষ্টাননা মেটচ ৫৮ শান্নবদা পোইন্ট ৫৮৭৩ রেটিং পোইন্ট ১০১ ফংদুনা ৬ শুবদা, ন্যুজিলেণ্ডনা মেটচ ৪২ শান্নবদা পোইন্ট ৩৮৮২ রেটিং পোইন্ট ৯২ ফংদুনা ৭ শুবদা, ব্রেষ্ট ইন্দিসনা মেটচ ৪৮ শান্নবদা পোইন্ট ৪৩০০ রেটিং পোইন্ট ৯০ লৌদুনা ৮ শুবদা, বঙ্গলদেশনা মেটচ ২৬ শান্নবদা পোইন্ট ২১৬৫ রেটিং পোইন্ট ৮৩ লৌদুনা ৯ শুবদা, জিম্বাব্রেনা মেটচ ২৬ শান্নবদা পোইন্ট ১৪৩৯ রেটিং পোইন্ট ৫৫ ফংদুনা ১০ শুবদা, আইলেণ্ডনা মেটচ ১১ শান্নবদা পোইন্ট ৪২৩ রেটিং পোইন্ট ৩৮ ফংদুনা ১১ শুবদা, কেনিয়ানা মেটচ ৫ দা পোইন্ট ১০৩ রেটিং পোইন্ট ২১ লৌদুনা ২৩ শুবদা অদুগা দিনরলেণ্ডনা মেটচ ৮ শান্নবদা পোইন্ট ৪৮ রেটিং পোইন্ট ৬ ফংদুনা খ্বাইদগী অরোইবদা লৈরি।

ইন্দিয়া টি–২০ গী টোপ ১০ দা লৈবাক অসিনা অনীশুবদা অদুমক লৈরি। শ্রীলঙ্কানা মেটচ ২০, ক্বালিফাই মেটচ ২৪, পোইন্ট ২৫৭০ রেটিং পোইন্ট ১২৯ লৌদুনা মকোক্তা লৈরি। ইন্দিয়ানা মেটচ ১৫ ক্বালিফাই মেটচ ১৯ পোইন্ট ১৮৪৩, রেটিং পোইন্ট ১২৩ ফংদুনা অনীশুবদা লৈরি। সাউথ আফ্রিকানা মেটচ ২৩ ক্বালিফায়িং মেটচ ২৯ পোইন্ট ২৮১৮ রেটিং পোইন্ট ১২৩ ফংদুনা ৩ শুবদা, পকিষ্টাননা মেটচ ৩০, ক্বালিফায়িং মেটচ ৪০, পোইন্ট ৩৬৩৮, রেটিং পোইন্ট ১২১, ফংদুনা ৪ শুবদা ব্রেষ্ট ইন্দিসনা মেটচ ১৯, ক্বালিফায়িং মেচট ২৪, পোইন্ট ২১৪৮, রেটিং পোইন্ট ১১৩ ফংদুনা ৫ শুবদা অদুগা ইংলেণ্ডনা মেটচ ২১, ক্বালিফায়িং মেটচ ২৮, পোইন্ট ২৩৫৭, রেটিং পোইন্ট ১১২ ফংদুনা ৬ শুবদা লৈরি।

টেষ্টকি টোপ ১০ গী মনুংদা ইন্দিয়া অনীশুবা স্পোটতা অদুমক লৈরি। সাউথ আফ্রিকানা মেটচ ৩০ শান্নবদা পোইন্ট ৩৯৮৮ ফংবগা লোয়ননা রেটিং পোইন্টদা ১৩৩ ফংদুনা অহানবদা লৈরি। ইন্দিয়ানা মেটচ ৩৬ শান্নবদা পোইন্ট ৪২১৩ ফংবগা লোয়ননা রেটিং পোইন্ট ১১৭ ফংদুনা অনীশুবদা ওষ্ট্রেলিয়ানা মেটচ ৩৯ শান্নবদা পোইন্ট ৪৩১৪ অমদি রেটিং পোইন্ট ১১১ ফংদুনা অহুমশুবদা লৈরি। ইংলেণ্ডনা মেটচ ৪৪ দা পোইন্ট ৪৭১৩, রেটিং পোইন্ট ১০৭ ফংদুনা ৪ শুবদা লৈরি। পাকিষ্টাননা মেটচ ২৯ শান্নবদা পোইন্ট ২৮৯০ রেটিং পোইন্ট ১০০ ফংদুনা ৫ শুবদা শ্রীলঙ্কানা মেটচ ৩০ শান্নবদা পোইন্ট ২৭০৩, রেটিং পোইন্ট ৯০ ফংদুনা ৬ শুবদা লৈখ্রে।

## জিরি কপকী মেটচতা মিজোরামনা আসাম রাইফলসবু মায়থীবা পীখ্রে



*জিরিবাম, জনুৱারি ২৯ঃ*

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েন্না ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী মখাদা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুল প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না শক খঙলবা ১০ শুবা জিরি কপ ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্টকি ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এল এন পি এফ সি মিজোরামনা ২৭ শুবা আসাম রাইফলসবু মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীমক্না অহানবা হাল্ফ হৌদুনা মাগী মাগী টিমগী গোল চন্নবা হোৎনদুনা শান্নরবসু অহানবা হাল্ফকি মতম লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

সেকেন্দ হাল্ফ হৌদুনা টিম অনীমক্না মখা তানা শান্নরকখি। মেটচ অদুগী ৬৮ শুবা মিনিটতা এল এন পি এফ সি মিজোরামগী লালরেলানা এরেল বোল অমদা হেদিং তৌশিন্দুনা টিমগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মিজোরাম্না গোল ১ চনখ্রবা মতুংদা ২৭ শুবা এ আরনা গোল অদু হন্দোক্নবা কন্না হোৎনখি। অদুবু গোল হন্দোক্নবা হোৎনরিঙৈদা মেটচকিনা ৮৩ শুবা মিনিটতা মিজোরামগী লালরাউং বাৱলানা গোল অমগা অমুক চনশিন্দুনা টিমগী গোল ২ শুগৎহনখি।

২৭ শুবা এ আরনা গোল অমত্তা ওইরবসু হন্দোক্নবা হান্নদগী হেন্না কন্না শান্নরকখি। অপীবা মতম লোইরবা ফাওবদা আসাম রাইফলসনা পোরিবা পাঞ্জিল অদু হন্দোকপদি লাইরদুনা শুপনগী গোল অমা ফাওবা চনবা ঙমদনা মায়থীখি।

ঙসিগী মেটচ অদুদা রেফরি ওইনা কন্দক তৌখিবা এ নব সিংহনা এল এন পি এফ সি মিজোরামগী শান্নরোই লালহভাপ জৌবু ৬০ শুবা মিনিটতা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি। ৭০ শুবা মিনিটতসু টিম অসিমক্কী ভি এল ঙাখাবু য়েলো কার্দ অমা অদুগা ৭৬ শুবা মিনিটতা বেঞ্জমিনবু য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি। ২৭ শুবা এ আরগী বিদেশ্বর দেববুসু রেফরিনা ৭৮ শুবা মিনিটতা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি। হয়েং দি এস এ লক্ষিপুরগা জে দি পি সি ত্রিপুরাগা শান্নগনি।

## লুসোফোনিয়া গেমস ২০১৪ লোইশিনখ্রে



*পানাজি, জনুৱারি ২৯ঃ*

থা অসিগী ১৮ দগী গৱাদা লৈবা তোঙান তোঙানবা মফমদা চথরকখিবা লুসোফোনিয়া গেমস ঙসি লোইশিনখ্রে।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা ব্রা ঙাঙখিবা বনসি কোলনা হায়খিবদা হন্দক্কি লুসোফোনিয়া গেমস অসিগী মরু ওইবা মশক অমা ওইখিবসি লমদম অসিগী ইন্দিজিনস পার্ফোমিং আর্থ অমদি স্পোর্টস ওইনা চঙশিল্লক্লিবা মালাখমব অসি মরু ওইনা মীয়াম্না পুক্লিং থৌগৎখি। গেমস অসিদা ইন্দিয়াগী যোগ শান্নরোই নহেহেরননা গোল্ড মেদল ৪ লৌবা ঙমখিবা শান্নরোই অমা ওইখি হায়নসু পনখি।

## সুমেকর ইন্টেন্সিব য়ুনিটতা লৈবা থা ১ শুরে



*ফ্রেন্স, জনুৱারি ২৯ঃ*

ফোর্মুলা ব্রানগী এজ মাইকেল সুমেকর দিসেম্বর ১৯ দা থোকখিবা লাইবকথীবা থৌদোক অমনা মরম ওইদুনা মহাক্না হোস্পিটালদা লৈরকখিবা ঙসি থা অমা চপ চানা শুরে।

সুমেকর লাইবকথীবা থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুংদা হোস্পিটালদা পুখত্তুনা মহাক্কী কোক্কী শরুক অদু নীংথিনা ওপরেসন তৌখ্রবনি। অহানবা ওইনা সুমেকর হেক শোকপা নুমিৎ অদুদা ওপরেসন তৌরবা মতুংদা অনীরকশুবা ওইনা দিসেম্বর ৩০ দা ওপরেসন তৌখি।

অনীশুবা ওপরেসন অসি তৌরবা মতুংদা হৌজিকসু গ্রেনোবেল য়ুনিভর্সিটি হোস্পিটালগী ইন্টেন্সিপ ক্যার য়ুনিট (আই সি য়ু) তা কোমাদা লৈরকপসি থা অমা চপ চারে। হৌজিক ফাওবা শান্নরোই অসি হান্না লৈবা ফীভম অদুদগী অহোংবা অমত্তা লৈত্রি। অদুমওইনমক জনুৱারী ১৭ তগী মহাক্কী ফেমেলি অমসুং ট্রষ্টনা শীন্দুনা সুমেকরগী ফীভম ফগৎনবা ইন্দিপেন্দেন্ট ওইনা য়েংহল্লি হায়না শান্নরোই অসিগী মতাঙদা শেমখিবা ট্রষ্টকি স্পোক্সমেন সেবিনি কেমনা ন্যুজ চেনেল অমগা উন্নবদা ফোঙদোকখি।

চৎলিবা চহী অসিগী জনুৱারী ৩ দা শান্নরোই অসি মশাগী চহী ৪৫ শুখ্রে। মহাক্না শোক্রিঙৈগগী মমাঙদা এফ আই টাইটল ৭ লক ফংখি। শান্নরোই অসিগী লায়েংবগী থবক অসি কন্না চথরি হায়না প্রো জেন মান্টজনা ফোঙদোকখি। হৌজিক পেরিসতা লৈবা বিচাট বেঞ্জোন লাউস মুরিস হোস্পিটালগী আই সি য়ুদা হোংজিন্দুনা মখা তাবা লায়েং চথরি।

## আই পি এলগী রাইট খঙহনখ্রে

*ন্যু দিল্লী, জনুৱারি ২৯ঃ*

ষ্টার ইন্দিয়া অসিনা আই পি এল ২০১৪ গী লাইসেন্স পায়বা দিজিটেল দিষ্ট্রিব্যুসন রাইট পায়বা অমা ওইনা শক খঙলগনি হায়না টাইম ওফ ইন্দিয়া গ্রুপনা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টার স্পোর্টস দোট কোমদা মীয়াম্না দিমান্দ ওইবা কয়া অদু য়েংবা ফংহনগনি। টাইমস ইন্টর্নেটনা আই পি এল ক্রিকেটকি ভিদিও দিমান্দশিং অদু দিষ্ট্রিব্যুসন অসিদগী ব্রেফ সাইটতা অমদি মোবাইদল ষ্টার স্পোর্টস দোট কোমদা য়েংবা য়াগনি।

মথক্তা পল্লিবা ষ্টার ইন্দিয়া অমদি টাইমস ইন্টর্নেট অনী অসিনা প্রাপোজেল থারকপগা লোয়ননা ষ্টার ইন্দিয়াদা হেন্না লুম্না লৌবগা লোয়ননা মখোয়দা এদভরটাইজ তৌনবগী অয়াবসু পীথোকখ্রে হায়রি।

মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা আই পি এল অদুদা ওন লাইন্দ ব্রিকনেসকি চাং অসি চাদা ৫৬ য়ৌখি অমসুং মিলিয়ন ২০০ গী মথক্তা ভিদিও ক্লিপিং থাদোকখি হায়রি। চহী অসিগী ওইনসু ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা মেদিয়া হাউস অমা ওইরিবশিংনা আই পি এল অসি পুনশিন্নরগা মীয়ামদা উহন্নবা অকনবা থৌরাং লৌখৎলি।

ষ্টারগী অনৌবা টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা মমাঙ চহীগী জুন থাদগী চঙশিল্লক্লিবা খোঙথাং অসিদা অমদি শান্নবগী ওইবা তোঙান তোঙানবা এক্সপরিয়েন্সকা লোয়ননা নৌনা শন্দোক্লিবা দিজিটেল টেক্নোলোজি অসিদা হন্দক্কি আই পি এল অসিগী অয়াবা পীবনি। কম্পেনি অসিনা অনৌবা টেক্নোলোজিগী খুৎলাই কয়াগী মতেংনা ঐচ দি ক্বালিটিদা মীয়ামদা য়েংহনবা ফংলি হায়নসু সঞ্জোয় গুপ্তনা ফোঙদোকক্রে।

## চহী অসিদা ৬শুবা থাক্তা কানবা হোৎনগনি



*ন্যু দিল্লী, জনুৱারি ২৯ঃ*

ৱার্ল্ডগী ১১ শুবা রেঙ্কিংদা লৈরিবা হায়দরাবাতা পোকখিবা মশাগী চহী ১৮ খক্তা ঙাইরিবা শান্নরোই অসিনা চৎলিবা চহী অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা অচৌবা শান্নবগী ইভেন্ট অনী হায়বদি কম্মন ৱেলথ অমদি এসিয়ন গেমসতা নীংথিনা শরুক য়াবগা লোয়ননা হন্দক্কি চহী অসিদা ৱার্ল্ডগী ৬ শুবা রেঙ্কিংদা চন্নবা হোৎনগনি।

লাক্কদবা চহী ২০১৫ দা মহাক্না হন্দক্কি চহীদা থল্লিবা রেঙ্কিং অসিদগী হাইগৎনবা হোৎনগনি হায়না শান্নরোই অসিনা ফোঙদোকখি। ৱার্ল্ডগী ওইনা পাঙথোকখিবা বেদমিন্টনগী চেম্পিয়নসিপতা ব্রোঞ্চ মেদল ফংখিবী শান্নরোই অসিনা চহী অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা অচৌবা ইভেন্ট অনী অসিদা মেদলগী আশা থল্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোক্লদুনা মাঙদা লাক্লিবা অচৌবা ইভেন্ট অনী অসিগীদমক মহাক য়াম্না কন্না হোৎনগনি। লোয়ননা মহাক্কী হৌজিক লৈরিবা চাং অসিদগী হেন্না ফগৎনবা থৌরাং কয়াসু হোৎনগনি হায়রি। টুর্নামেন্ট অমা লাকপদা মহাক্না জুনিয়রগী ওইরগসু সেনিয়রগী ওইরগসু শরুক য়াগনি। মখল খুদিংমক্কী টুর্নামন্টতা মহাক্না লায়না লৌবগী ব্রাফম লৈতে। শান্নবা খুদিংমক চেকশিন্না শান্নগনি হায়না ফোঙদোকখি।

সিন্ধুনা হন্দক্কি চহী অসি হৌরকপদা লক্ষ্ণৌদা পাঙথোকপা ইন্দিয়ন গ্রান প্রি গোল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়নসিপ্তা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। অদুমওইনমক ফাইনেলদা মহাক ইন্দিয়াগী টোপ সিট ওইরিবা সাইনা নেহৱালগী মখুত্তা মায়থীহৌখি।

সাইনাগী মখুত্তা ফাইনেলদা মায়থীহৌবদু মহাক্কী ওইনা য়াম্না নীংথিনা শান্নখি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা কোচিদা ঙসিদগী পাঙথোকখিবা ওল ইন্দিয়া সেনিয়র রেঙ্কিং টুর্নামেন্ট অসি য়াওরবা মতুংদা য়ুরোপ্তা চৎকনি হায়নসু পনখি। মহাক্না য়ুরোপ্তা চৎকদবা অসি ফ্রেবুৱারী ২৫ দগী মার্চ ২ ফাওবা জর্ম্মনদা পাঙথোক্কদৌরিবা জর্ম্মন ওপন অমদি মার্চ থাদা ওল ইংলেণ্ড অমদি স্বিজ ওপনদা শরুক য়াগনি হায়রি।


Millennium Institute of Sciences

*Presents for the first time*

**MILLENNIUM SCHOOL**

From 2014-15 Academic Session opening

**Daycare, Prenursery, Nursery Classes & K.G.**

From this Academic Session onwards at Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001

**Special features :** AC room for daycare

- Home away from home for day care
- Hygienic mid day meal for day care
- Audio Visual Classrooms
- Play-way method of teaching system
- Well equipped teaching and playing materials of latest technologies
- Well experienced and trained faculties with seniors from Delhi Public School.

Form available from 7th November 2013

@ Millennium School Office, Sagolband Salam Leikai.

& Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi.

SL/29/19/B

**ANGELS' COACHING CENTRE (ACC)**

URIPOK POLEM LEIKAI

ADMISSION OPEN FOR MOCK TEST 2014

| PREVIOUS MOCK TEST RESULT 2013 | HSLCE RESULT 2013 |
|---|---|
| MIRANDA M. (NBS) 1st RANK | 1st |
| SYDENNY TH. (LFS) 2nd RANK | 6th |
| RATIMANJURI H. (NBS) 3rd RANK | 3rd |
| MIRANDA O. (NBS) 4th RANK | 5th |
| VIVEK A. (St. Joseph) 5th RANK | 14th |
| REMA N. (NBS.) 6th RANK | 15th |
| S. SADA (LFS) 7th RANK | 16th |
| CHITRA KH. (NBS) 8th RANK | 16th |
| S. BIDYALAXMI (LFS) 7th RANK | 22nd |
| BIDYALUXMI NG. (LFS) 8th RANK | 24th |
| Prescila RK. (NBS) 9th RANK | 24th |
| S. Linthoingambi (LFS) 10th RANK | (89.6%) |
| Michael H.(Catholic) 11th RANK | (88.4%) |
| Daniel H.(St. Joseph) 12th RANK | ( 87%) |
| Rebika Kh.(LFS) 13th RANK | (87%) |
| Kelveen Raj(St. Joseph) 14th RANK | ( 86.6%) |
| Evylyn G.(NBS) 15th RANK | (86.4%) |
| O. Babykalpana(PS Ningthoukhong) 16th RANK | (85%) |
| Raveria Th.(NBS) 17th RANK | (83.2%) |
| N. Polendro(Heritage) 18th RANK | (82%) |
| L. Binju (LFS) 19th RANK | (80.4%) |
| Devia RK.(Alpha BCI) 20th RANK | (78.4%) |

**MEGA MOCK TEST 2014**

TIME : 10:30 A.M. TO 1:30 P.M.

| DATE | SUBJECT | MARKS |
|---|---|---|
| 10-01-2014 | S/SCIENCE | 80 |
| 19-01-2014 | SCIENCE | 80 |
| 25-01-2014 | MATHS | 80 |
| 02-02-2014 | ENGLISH | 80 |
| 09-02-2014 | ADDL. ENG./ MIL/THADOU | 80 |

Contact No.: 9856988840--9863222153--9863265726